HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী থাগী চেফোঙ 'অনৌবা য়াওল' পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবা

থম্মোয় পাউদম : লোক সভা ইলেক্সন অমসুং মণিপুর ☛ লামায় ২

লামায় ৫ ☛ ''অপূনবগী শক্তম কাইহন্নীংদবা মীতৈশিং''

মেন্টল হোস্পিটাল শাগৎনবা পাট্টা পীথোক্লম্লে... ☛ লামায় ৬

লামায় ৮ ☛ আই এন দি আই এ না লৈঙাক পায়রবদি সি সি এ...

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা...☛ লামায় ৯

লামায় ১০ ☛ ৱাই দল্লিয়ু সী অমসুং এন এ পি এস এ সেমীফাইনেল...

ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাঙু জি পিগী মীয়াম্না এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি শেম্বা য়ানীংদে হায়দুনা ৱাঙু লাইফম কম্যুনিতি হোলদা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং

Vol. 47, Issue No. 341 | য়ুমশকৈশা, লমতাগী ৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, March 13, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# লোক সভা মীখলদা মণিপুর : ইন্নরদা মীওই ৬না কোংগ্রেসকী টিকেট তান্নরি, আউটরদদি অলফ্রেদ কানঙম খক্তমক ওইরি

বিমোল অকোইজম

এন ভুপেন্দা

এন তোম্বীকান্ত

হরেশ্বর গোশ্বামি

এল তিলোতমা

কে ঐচ দেবব্রত্ত

অলফ্রেন্দ কানঙম

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :** মথং থা নৎত্রগা মে থাগী অহানবা শরুক্তা শোয়দনা পাঙথোক্লগনি পান্নরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা সিট অনী লৈরিবা মণিপুরগী নম্বর ১-ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অমসুং নম্বর ২-আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা মীরেপ ওইনীংবা মীওই ৭না টিকেটকীদমক এপ্লাই তৌরক্লে হায়রি।

### এ আই সী সীনা ২শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা কেন্দিদেট ৪৩গী মমিংশিং লাউথোকখ্রে

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী সিনিয়র লিদর অমদা পাউচে অসিনা পার্টি অসিগী কেন্দিদেটশিংগী মতাংদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলসিদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা পার্টি অসিগী টিকেটকীদমক মীওই ৬না এপ্লাই তৌরক্লে। মীওইশিং অদুদি অঙোমচা বিমোল অকোইজম, এম পি সী সীগী মায়কৈদগী এন ভুপেন্দা, মণিপুর লৈঙাক্কী আই এ এস ওফিসর ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথারবা এন তোম্বীকান্ত, এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্টশিং ওইরিবা হরেশ্বর গোশ্বামি, এল তিলোতমা, পার্টিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কে ঐচ দেবব্রত্তনি। অদুগা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা টিকেটকীদমক এপ্লাই তৌরকখিবনা পার্টিগী হান্নগী এম এল এ অলফ্রেন্দ কানঙম অর্থরনি হায়রি।

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা মীওই ৬না

...মখা লমায় ৩ কলম ১

### লাল্লকসিদা এক্স মিনিষ্টর বিজয় কোইজম ক্বাথা ১দি মোরেদা লিংশিল্লুরে

# ক্বাথা খুঞ্জাও ১সুং কে এল পিদা লৈবা মীতৈশিংদা শেলগী মতেং, চাকথোঙ গ্যাস পীরম্লে

### মোরেদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কে এল পিদা মীতৈ ইমুং ৩গী মীওইশিং চঙজফম লৌহৌরি

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী মীতৈ অমসুং কুকি অনীগী মরক্তা চথুরক্লিবা তমথীরবা লান অসিনা মরম ওইদুনা ফূরুপ অমনা নম্না তাবা মফমদা অতোপ্পা ফূরুপ অমনা চঙথোক চঙশিন তৌবদা খুদোংথীনীংঙাই ওইবা ফীভম লৈরক্লগাসু মণিপুর লৈঙাক্কী হান্নগী মিনিষ্টর বিজয় কোইজমনা ঙসি কুকিশিংনা নম্না তারিবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা ক্বাথা খুঞ্জাও অমদি মোরেদা চঙশিন্দুনা মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী অৱাৎ-অপা য়েংশিল্লুবগা লোয়ননা অঙম্বা মতেং পাংলুরে।

লান অসি থা ১১ চঙশিল্লক্লবসু ক্বাথা খুঞ্জাওদা চহী কয়াগী মমাঙদগী মীতৈশিং লৈরকখিবগা লোয়ননা খুঞ্জাও অসিগী খুঞ্জাশিংদি ঙসি ফাওবদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরক্ত্রিবনি। অদুম ওইনমক লান অসিগী মৈশানা ক্বাথা খুঞ্জাওগী খুঞ্জাশিং অদুক্কী

...মখা লমায় ৩ কলম ১

# নো এস টি, নো ভোট : মীখল মমাঙদা মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চন্নবা রেকমেন্দেসন থাদ্রবদি ইলেক্সনদা শরুক য়ারোই :এমএমটিয়ু

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):** পাঙথোক্লগদবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা শেম শাবা হৌরক্লবসু মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈ/মৈতৈ ফূরুপ্পু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরী লৈনবা রেকমেন্দেসন মীখল অসিগী মমাঙদা থাদ্রবদি ইলেক্সন অসিগা মরী লৈনবা থবক অমত্তদা শরুক য়াদনবগী ফিরেপ লৌরে হায়না মীতৈ (মৈতৈ) ত্রাইব য়ুনিয়ন (এম এম টি য়ু) গী য়ুথ ৱিংগী কনভিনর হাওবিজম সুরজিৎ মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল ৱাঙ্খৈ খুনৌদা লৈবা এম এম টি য়ুগী ওফিসতা ' নো এস টি, নো ভোট' হায়বা কেম্পেয়ন হৌদোক্লদুনা ৱাফম অসি মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

খোঙজং অসিগীদমক এম এম টি য়ু অমদি মীতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (এম এস এ), এম য়ু অনীনা পুন্না ৱারেপ লৌবনি হায়রি।

মহাক্না পাউমীশিংদা মখা তানা হায়, মীতৈ ফূরুপ্পু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) মখাদা এস টি লিষ্টতা চন্নবগীদমক তকশিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী খোঙজং চঙশিল্লকপা চহী ১২ ফারক্লে। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীয়ামগী খোল্লাও অসিবু তাশিন্নদনা/থৌশাদনা ঙসি ফাওবা লৈথোক্লি। মীয়ামগী খোল্লাওবু লৈঙাকপশিংনা খঙশিন্নদনা লৈথোক্লকপদগী এম এম টি য়ুনা জুদিসিয়রিদা থাজবা থমদুনা মমাঙ চহীগী মার্চ থাদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরুবদা কোর্টকী মায়কৈদগীসু

...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# মায় পাক্লরোইদবা নার্কো টেররিষ্টশিংগী লান মখা চথহল্লকপা চুম্লোই : এম সী এম

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :** ওইরোইদবা লান অমা থোকহনবা চুমদে হায়বসি ঐখোয় খঙমিন্নদ্রবদি তুংদা হৌরক্লিবা অঙাংশিংনা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিং অদু কয়াদা পঙথ্রবনো হায়রক্তুনা নার্কো টেররিষ্টশিংনা ইনশিল্লক্লগা করম্না লৌদুনা ইপা ইপুশিংনা লান থোকহল্লিবনো হায়না হংলক্কনি হায়বগী ৱাফম মীতৈ কাউন্সিল, মোরে (এম সী এম) গী প্রসিদেন্ট এম থোইবনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা কাউন্সিলগী টেম্পররি ওফিসতা ঙসি কাউন্সিল অসিগী ৩০ রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা ইরোয়ননা মহাক্না পাউমীশিংদা হায়, ঐখোয় নুংঙাইনা লৈজরকখিবা ইরমদম মোরেদা হৌজিক চহী ৭ খুন্তাকপগুম থোক্লি। মরম অসিনা কাউন্সিল অসিগী ৩০শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসি পাঙথোক্লগসু অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরমনি। লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়শিংদসু

...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### গীটকুমার নেপ্রম আই আই টি খরগপুরগী ইন্টরনেল মোনিটরিং কম এদভাইজরি কম্মিটিগী মেম্বর খল্লক্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):** মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ টাউন প্লান্নর ওইরম্বদা নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হৌজিক মিনিষ্ট্রি ওফ হাউজিং এন্দ অর্বান এফ্যেরসকী হায় লেভেল কম্মিটি ফোর অর্বান প্লান্নিংগী মেম্বরসু ওইরিবা গীটকুমার নেপ্রমবু আই আই টি খরগপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্কিটেকচর এন্দ রিজনেল প্লান্নিংগী ইন্টরনেল মোনিটরিং কম এদভাইজরি কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা খল্লক্লে হায়রি।

মহাকপু মেম্বর ওইনা খল্লকপগী অইবা চেরোল অমা মিনিষ্ট্রি ওফ হাউজিং এন্দ অর্বান এফ্যেরসকী সেন্টর

...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিম

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস):** ঙরাং চীফ জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচূড়না লুচিংবা বেঞ্চনা পীখিবা দিরেক্সন মতুংইন্না ঙসি এস বি আইনা ঈ সী আইদা ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিমগী অকূপ্পা ৱারোলশিং পীশিনখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Manipurgi Political Party singna Lok Sabha Electiongi maphi semnaraklabasu meeyamnadi saruk yanaba hotnadri haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Citizenship Ammendment Act chatnahallakpana yelhoumising mutsillakliba Manipurda henna kanba saphu ama pirakani haibada langadra?

Yes 50% No 50%

### অস! লোইরেহে!

-অপীকপনা অচৌবা মহুম শানীংবা...।



- ঐ অপীকপনি কাউনরে পীকপা ইকায়নরে।

# চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমদা ক্বাথা খুনৌগী খুঞ্জাশিং পেন্দ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ১২ (ঐচএনএস):** ঐখোয়সুশ্বাইদা লৈবসি ইনহেবিটেদ নত্তবনিনা য়াম্না ৱানা লৈরিবনি হায়রদুনা ক্বাথা খুনৌগী ভিলেজ সেক্রেটরি লাইশ্রম সঞ্জয়না ঐখোয় য়ুমদা য়াম্না হন্নীংলে। মরম অসিনা সিক্যুরিটি মতিক চানা পীবিরো হায়বগা লোয়ননা ক্বাথা খুনৌদা মৈ থাখিবা য়ুম অদু মী লৈতবা য়ুমনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খিবদু হায়বীগনু। মরমদি য়ুম অদু লাইদৌনা লাৎচবা য়ুমনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্ন মখা তানা হায়, ক্বাথা খুনৌগী নিংথৌ লাইশ্রম ইরাবন্ত অমদি দল্লিয়ু বুধগী য়ুম মৈ থারম্বগী থৌদোক য়াম্না নুংঙাইতে। ক্বাথা খুনৌদা ঐখোয় ঈংন-চিক্ন লৈজরকখিবনি। মণিপুরগী নোংপোক চিদাইদনি। মৈ চাকপা মতমদুদা মোলফৈ খুলগী মীওইনা টেলিফোন তৌরক্তুনা ঐখোয়গী খুলগী য়ুম মৈ চাক্লে হায়রকখিবনি। অমুক হন্না ফোন তৌরকপদনা শকখঙদবা নহা ৩না থারম্বনি, চেনখ্রে হায়রকপনি। মরম অসিনা য়ুমশিং অদু মোলফৈ খুলগী মীওইশিংনা থাবনি হায়দুনা লৌদবা য়ারোই হায়খি।

ক্বাথা খুনৌগা নক্লরিবসি কুকিগী মোলফৈ অমসুং বোংয়াং খুল অনীসিখক্তনি। খুনৌসিদা য়ুম ১৩গী মীওই ৪৪ লৈরম্বনি। খুল অসিদা লৈবদা ম্যান্মার মনুংগী ঈরাং অমসুং হৌজিক্কী কাঙলূপকী ঈরাংগী চৈথেং ফংই। মরম অসিনা ক্বাথা খুঞ্জাও অমসুং অতোপ্পা মফমশিংদা লৈনরকখিবনি। খুল অসি পীকচরবসু ঙমখৈ ঙাকচরকখিবনি হায়রদুনা ম্যান্মারদা ঈরাং হৌরকপদগী পি দি এফকী কেম্প লৈশিল্লকখিবগা লোয়ননা নুপী অঙাংশিং শাফগদবা মফমদা থৈদোক্লখিবনি। এ আরনসু খুল অসিদা পোষ্ট হাংবা ঙমদবনিনা ঐখোয় খুঞ্জাওদা লৈরকপনি। মরম অসিনা মী লৈতবা য়ুম মৈ থারে হায়না লান্না শন্দোকপীগনু। মে ৩গী নুমিদাংৱাইরমদগী ঐখোয় খুঞ্জাওদা চেন্দুনা লৈরকখিবনি। মোলফৈ খুলগী নাকলদা লৈবা পি দি এফকী কেম্প ম্যান্মার আর্মিনা থুগাইবা ঙমদে হায়খি। ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ফেন্সিং খারবসু তুরেলদা কুম্লগা চঙলকপা য়াই। মরম অসিনা আউট পোষ্ট হাংদুনা চঙশিল্লক্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপীয়ু। তুরেলদা কুমথদুনা চঙলক্লগা মোরেগী কোন্দোং লাইরেম্বী তাবা য়াই হায়খি।

ক্বাথা হায়রিবা খুল অসি ইনিংথৌ মোংয়াম্বগী মতমদগী খুন্দাদুনা লাক্লবনি। মোরেদগীসু ক্বাথানা খুন্দাবা হাল্লি হায়রদুনা ক্বাথা খুনৌদা পুলিস আউট পোষ্ট থম্বীদুনা মতিক চাবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীরগা ঐখোয় অমুক হন্না ইশাগী য়ুমদা হঞ্জিনবা ঙম্নবা থবক লৌখৎপীরো হায়খি।

# ফার্মাসিদা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা মোটোর সাইকল অমদা লাকপা মীওই অনীগী মনুংদগী তুংদা তোংবা মীওই অমনা থাঙ্গাল কৈথেলগী আলু গল্লি তাবা লম্বীদা লৈবা ফার্মাসি অমদা নোংমৈ রাউন্দ ২/৩ লোম কাপশিল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিদা অশোক অপন য়াওখিদে। অদুম ওইনমক কনানা করিগীদমক নোংমৈ কাপশিল্লম্লিবনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি।

# ওজা ১ মশাগী কারগা কোন্ননা ফাখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা ক্যামগৈ পল অহনবীদগী গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী ওজা এম দি ৱাহিদুর রহমন (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা মৌলুবী বাসির রহমন, লিলোং হাওরৈবী ময়ায় লৈকায়দা লৈববু মশাগী অলটো কার এম এন-০৭/দি-০৬৫২গা কোন্ননা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ চিন্দোলদা ফারগা পুখ্রে হায়রি।

মহাক হৌজিক তমেংলোংগী দোলান খুনৌগী গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা সাইন্স গ্রেজুএট টিচর ওইরিবনি। মহাকপু কনানা করিগীদমক ফারগা পুখিবনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি।

### মীমান্নদ্রবা ইঙোচা হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৩ জেলদা থাজিনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৩দা হেন্দিকেপ ওইরবা লংথবাল লেফ্ট ময়ায় লৈকায়দগী নোংথোম্বম ইঙোচা (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন মনিবু ফূরগা হাৎপদা চেন্নবনি হায়দুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা শীংজমৈ পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাখিবা মীওই ৩ ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা জেলদা থাজিনখ্রে।

ঙসি কোর্টনা থা অসিগী ২৬ ফাওবা জেলদা থাজিনখ্রবশিংদি লংথবাল লেফ্ট ময়ায় লৈকায়দগী কোইজম রিসিকান্ত (৪৯) অপোকপা কে ইমো, পুখ্রম্বম রোবর্ট (৪৪) অপোকপা পি মনাও অমসুং লাইতোঞ্জম রাজেন (৬২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল কলানি হায়রি।

# নাগালেন্দদগী লাক্লগা মীতৈগী লাই হরাওবা য়েংজগে খন্না লৈরিঙৈদা লান হৌরকপদগী হনবা নংদদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা থা ১১ ফাজিল্লক্লে

### হকথেংনবা পাউদম

*নাগালেন্দগী খুঞ্জা অমা*

**(ঙরাংগী মখা...)**

উরিরৈ সোইবম্না মখা তানা হায়, ঐনা লৈরকখিবা নাগালেন্দগী মফম অদু জে লিয়াংরোংশিংনা নম্না লৈবনিনা থোইনা পাখৎনীংঙাইদি লৈতে হায়না খল্লুবদা খরা শাফৈ। ইচানুপাশিংসু য়ুম পুবা ঙম্নবা অঙম অঙম্বা থবক শূবা চৎখিবনিনা ঐগী ইনাক্তা অমত্তা লৈতে। হৌজিক রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকপদা ৱাখলগী লায়না নাবা হৌরক্লে অমসুং ইশাসু য়াম্না শোঞ্জিল্লে হায়রদুনা 'ঐহাক কুইনা হিংগদবা মাল্লক্ত্রে' হায়রকখি।

মরম অসিনা ইচানুপা অনীদা শিরবসু ঐগী নাগালেন্দদা লৈবা ইপুরোইবনা শাবীরম্বা য়ুম অদুদা শিজগে হায়খিবগা লোয়ননা হন্দক চহীগী চৈরাওবা নংনবা ঐবু য়ুমদা য়ৌহনবীনবা হায়জখ্রে হায়রকখি। অদুবু কুকিশিংগী খুল ফাওদুনা চৎপদদি অকিবা ফাওরি। মরকসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা লান অসি লোইশিনবীদুনা ঐহাকপু অমুক্তংদি নাগালেন্দদা লৈবা ইশাগী য়ুমদা চৎপা ফংহনবীয়ু হায়রকখি।

রিলিফ কেম্পতা লৈমিন্নরিবা মীতৈশিং পুকমেন পাউমেন্নদুনা হরাও হরাও লৈমিন্নে অমসুং চাবা ফাওবদি লৈঙাক্লা পীবদগী ৱাৎত্রি অদুবু ঐহাক্লা ৱারিবদি শেল অমত্তা থোক্তবনিনা করিগুম্বা অমা চানীংলকপা মতমদা লৈদুনা চানবগী শেল লৈতে। নারক-য়েক্লক্লবসু লায়েংনবগী শেল লৈজদে। মরক-মরক্তা ফ্রী মেদিকেল কেম্প তৌই অদুবু মরক্তা হকচাং নুংঙাইরক্তবদগী য়েংনীংলকপা য়াওরকপদদি পাম্বৈ অমত্তা লৈতে হায়রকখি।

মসিগী মতাংদসু মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওই পুম্নমক শূফম নোম্ফম লৈতবদগী অসুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লরে। মচি-মচিদা পূনশিন্দুনা ফম্মিন্নরগা হৌখ্রবা পুন্সিগী ৱারীশিং শারকপদগী হৌজিক্তি মখা তানা শাননবা ৱারী ফাওবা লৈশিল্লক্ত্রে। হৌজিক্তি নুংশা য়াইরগা শামতু লংনা লোনবা ফুরিৎশিং অদু অমুক হন্দোক্তুনা মতম লেন্দুনা লৈরি হায়রকখি।

মরম অসিনা ঐখোয়বু নে তানা অমসুং চঊথোকচনা হিংজবা ঙম্নবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা খরা মতেং পাংবীরক্ত্রগাদি ঐগী নাগালেন্দগী য়ুম অদুদা হনবা ঙম্লোইদৌরে। তাম্না লৈহৌরবা ইচা-ইশু অমসুং ইয়াগী খনবদা লৈতাফম খঙদ্রে হায়রকখি।

# য়াওল্লোই কেপ্তেন লৌরেম্বম থাংজিং (নাওবী) লৈখিদববা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ১২ :** পান্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) কী মীদিয়া কোওর্দিনেটর চরাইরোংবা থোকচোম্না থোরকপা চেরোল অমনা য়ু এন এল এফনা চঙশিল্লিবা ইরৈবাক মণিপুরগী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগী লান্থেংসিদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা নুংশিখিবা য়াওল্লোই কেপ্তেন লৌরেম্বম থাংজিং এলিয়জ নাওবীনা লৈখিদবদা য়ু এন এল এফ অমসুং মসিগী লাম্মী শঙলূপ এম পি এনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা অথৌবা অসিগী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কেপ্তেন থাংজিং মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা হোস্পিটালদা নুমিৎ খরনি লায়কন্নরবা মতুং ঙরাং (মার্চ ১১, ২০২৪) গী অয়ুক্কী পুং ১০.৪১দা তাইবঙপান থাদোকখি। কেপ্তেন থাংজিং এলিয়জ নাওবী কুমজা ১৯৭১গী জন্যুৱারী ১দা কান্টো শাবল,

...মখা লমায় ৬ কলম ২

Government of India

মোদি সরকার গী গরেন্টী

ৱাহন্থোক্তি অৱা অনা য়াওদনা হিংহনবনি

ঐখোয়গী ৱাশক্তি ভারত চাওখৎহনবা

উজ্বালা যোজনানা মৈখু চেন্দবা চাকখুম ক্রোর ১০ ফংহল্লে

অকুপ্পা মরোলগীদমক স্কেন তৌবীয়ু

dbc 22201/13/0351/2324